# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ত্রাফিক্কী চৎন-কাংলোন ঙাক্তবশিংদগী ত্রাফিক পুলিসনা পুন্না লুপা লাখ ৬৯ লিশিং ৭২ গী ই-চলান ককখি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১১৯ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি।

অমসুং

৩) লৈবাক অসিদা হৌজিক চথরিবা নুমিৎ ১০০ নিগী ওইবা টি.বি. ইলিমিনেসন কেম্পেনদা টি.বি লায়না নাবা মীওই লাখ ৫ হেন্না খন্দোকপা ঙমলে।

------

চলান (এল)ঃ রাজ্য অসিদা ত্রাফিক্কী চৎন-কাংলোন ঙাক্তবশিং ত্রাফিক পুলিসনা ফাগৎতুনা ই-চলান ককপগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

ত্রাফিক পুলিসকী পাউনা হায়- চহি অসিগী ওইনা ত্রাফিক্কী চৎন-কাংলোন ঙাক্তবশিংদগী পুন্না লুপা লাখ ৬৯ লিশিং ৭২ গী ই-চলান ককখি। জনুৱারি থাদা লুপা লাখ ৩৭ লিশিং ৪৫,৭০০ অদুগা ফেব্রুৱারি থাগী তাং ১৬ ফাওবদা লুপা লাখ ২১ লিশিং ৮২,৩০০ কী হ-চলান ককখি। থা অসিগী ১৭ তগী ২২ ফাওবা হৌখিবা নুমিৎ ৬ নি অসিদা লুপা লাখ ১০ লিশিং ৪৪ গী ই-চলান ককখি।

পুলিস (এল)ঃ সোসিয়েল মিদিয়াগী খুত্থাংদা রাজ্য পুলিস মরুওইনা কন্মান্দো পার্সোনেলশিংদা ফোংনা কিহনবা ৱাহৈ হায়দুনা ভিদিও থাগৎলুবা মীওই অমা ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ফারবা মীওই অসি বিষ্ণুপুর জিলাগী থমাপোকপী মমাং লৈকাই ৱার্দ নম্বর ফোরদগীনি। মহাকা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ভিদিও অদুগী মতুংইন্না থিজিন্নবগীদমক সু মোটু কেস অমা লৌখৎখি। তুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি মণিপুর পুলিস সাইবর ক্রাইমগা খুৎশমদুনা হায়রিবা মীওই ফাগৎপা ঙমখিবনি। ৱাহং পাউহং চত্থবদা মীওই অসি কে.সি.পি (সিতি মৈতৈ)গী কাদরনি হায়রি।

অমরোমদা, এস.দি.পি.ও থৌবালনা লুচিংবা পুলিসকী কাংবু অমনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী ৱাংজিংগী মফমশিংদা য়ুগী ড্রাইভ চত্থখ্রে। মদুদা মীওই অমদগী য়ু বোট্টল ৩৪ ফাগৎখি হায়রি।

ড্রাইভ (এল)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীওইশিংনা থৌবাল বজারগী অকোইবদা খোঙ লম্বী অমদি নেসনেল হাইৱেশিংদা আইন কায়না দুকানশিং খন্দোকপা, পোৎ চৈ পৈশিনবশিং ঙরাং তকথোকখ্রে।

এস.পি. থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা চত্থখিবা থৌরাং অসি য়াইরিপোক বজারগী অকোইবা অমদি লিলোং বজারগী অকোইবা মফমশিংদসু চত্থখি। লোয়ননা লম্বীগী নাকলদা দুকান ফল্লিবা মীওইশিং অমদি মনাক নকপদা তারিবা মীওইশিংদা থৌরাং অসিগী মতাংদা এৱারনেস পীখি।

থৌবাল (এল)ঃ মণিপুরদা অনৌবা সরকার অমা অথুবদা শেন্মু অমদি খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউদুনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মৈরা পায়বীশিংগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। মৈরা পায়বীশিং অদু থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা পুল্লবা মতুং নেসনেল হাইৱে পরিংদা লেপ্তুনা খোল্লাউশিং লাউখি হায়রি।

সাইকল (এল)ঃ  স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া, নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্তর ইম্ফালনা শিন্দুনা ফিট ইন্দিয়া সাইক্লিং দ্রাইভ সন্দেস ওন সাইকল কেম্পেন হৌজিক ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তগী চৎননবা শেম শাবা লোইরে। সাইকল রেল্লি অসিদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়নগী মীহুৎ কাংবু শরুক য়ারি। রেল্লি অসি খুমন লম্পাক্তগী হৌরগা নোর্থ এ.ও.সি, চীংমৈরোং ফাওদুনা চৎলবা খুমন লম্পাক্তা অমুক হল্লক্কনি।

কেকোমি (এল)ঃ কোকোমিনা হায়রি- মণিপুরদা চাইথোক্তুনা লৈরিবা খুৎলায়শিং রাজ্যপালনা নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা পীখৎলকবা মতম থাখ্রবসু থারিবা মতম অসি য়ৌদ্রিঙৈদা হন্দক সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চথুখিবা থৌওং অদুনা রাজ্যপালগী ৱাফম অদু মীয়ামদা চমমহল্লে।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্যপালনা খুৎলায় পীখৎলকবা নুমিৎ ৭ নিগী মতম থারকপা অসি তেনমল্লি। মীয়ামগী মতেং হেন্না ফংনবা অমদি ভাব তান্নদবদগী থৌওংশিং থোক্তনবা মতম হেন্না পীবা তঙাইফদে। লোয়ননা খুল ঙাকপশিংদগী খুৎলায়শিং লৌখৎনবগীদমক লৈরিবা লোকেল য়ুথ লিদরশিংগা হান্না উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাবীনবসু রাজ্যপালদা তকশিল্লি।

অমরোমদা, মশাগী মরমদম কঞ্জনবগীদমক খুৎলায় পায়দুনা খুল ঙাক্লিবা মীচমশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক অমত্তা লৌখৎপীদনবসু চেরোল অসিনা পল্লি।

মনকি বাট ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১১৯ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোইবগা অকাশবানি

ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

টিবি ঃ কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ যুন্বাল মন্ত্রালয়না চংশিল্লিবা নুমিৎ ১০০ নিগী ওইবা টি.বি. ইলিমিনেসন কেম্পেনদা লৈবাক অসিগী মীওই লাখ ৫ হেন্না টি.বি লায়না নাবা মীওইশিং খন্দোকপা ঙমখি। জিলা ৪৫৫ তা চথখিবা কেম্পেন অসিদা টি.বিনা নাবা মীওই লাখ ৩ লিশিং ৫৭ হেন্না লায়েংখি।

মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- কেম্পেন অসিগী মনুংদা মীওই কোতি ১০ রোম স্ক্রিনিং তৌখি। কেম্পেন অসিগী মনুং চন্না নিক-সে সিভির লাখ ১০ দা অনৌবা মখলগী টি.বি. লায়েংনবা খুৎলায়শিং ফংহনবা ঙমলে।

ভিজিৎ ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ হুমিগী মধ্য প্রদেশ, বিহার অমসুং অসাম খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। শ্রী মোদিনা ঙসি মধ্য প্রদেশকী ছাতরপুর জিলাদা ভাগেশ্বর ধাম মেদিকেল এন্দ সাইন্স রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী যাত্রা হুনগনি। কেন্সর হোস্পিতাল অসিনা খুদোংচাবা নিংথিনা ফংদ্রবা মীওইশিংদা কেন্সর লায়না লেমা লায়েংগনি অমসুং মসিদা ষ্টেট ওফ দ আর্ট মেছিনশিং অমসুং স্পেসিয়েলিষ্ট ডোক্তরশিংগী খুদোংচাবসু ফংহনগনি। মহাকা ভোপালদা নুমিৎ নিনি চথগদবা গ্লোবেল ইনভেষ্টরস সম্মিৎ ২০২৫ সু হৌদোক্কনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং বিহারগী ভগলপুরদা চৎকনি। মহাকা মফম অদুদা পি.এম. কিষান স্কিমগী ১৯ শুবা ইন্সটোলমেন্ট য়েন্থোকপগা লোয়ননা রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়াগী যাত্রা হুনগনি অমসুং শঙ্গাগনি। শ্রী মোদিনা মথংগী নুমিৎতা গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা ঝুমোইর বিনানদিনি (মেগা ঝুমোইর) ২০২৫ দা শরুক য়াগনি। থৌরম অসি চাগী উদ্যোগনা চহি ২০০ মপুং ফারকপা অমসুং অসামবু ইন্দষ্ট্রিয়েলাইজেসন তৌরকপা চহি ২০০ মপুং ফারকপগীদমক পাঙথোকপনি। প্রধান মন্ত্রিনা গুৱাহাতিদা এদভান্টেজ অসাম টু পোইন্ট জিরো ইনভেষ্টমেন্ট এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর সম্মিৎ ২০২৫ সু হৌদোক্কনি।

মোদিঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মোওরিসিয়সকী ৫৭ শুবা নেসনেল ডেগী থৌরমদা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

ৱাফম অসি লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি নবিন রাম গুলামনা সংসদতা লাউথোকখিবনি। মহাকা হায়- মশাগী অচিনবা কয়া লৈজরবসু মাওরিসিয়সগী অসিগুম্বা থৌরমদা শ্রী মোদিগুম্বা শকাইরবা মীওই অমনা শরুক য়ারবা অসি মখোয়গীদমক চাউথোকচনিঙাইনি। মাওরিসিয়সকী নেসনেল ডেগী থৌরম অসি লৈবাক অদুনা বৃটিশকী মখুৎতগী ১৯৬৮ দা মনিং মখা তমখিবা নুমিৎ অদুবু নিংশিংবা ওইনা চহি খুদিংগী মার্চ ১২ দা পাঙথোকই। মমাং চহিগী নুমিৎ অসিগী পালন থৌরমদসু রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা অথোইবা আতিথি ওইনা শরুক য়াখি।

লংজা ঃ মধ্য প্রদেশনা লৈবাক অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী লংজা য়ামা লৈবা রাজ্য ওইরে। রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা চথখিবা সেন্সসতা লংজাগী মশিং অসি লিশিং ১২,৯৮১ দা হেনগৎলে।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- মধ্য প্রদেশতা লংজা মশিং থিবগী থবক অসি সার্কল ১৬, দিভিজন ৬৪ অমসুং প্রোটেক্তেদ এরিয়া ৯ দা চথখি। ২০১৯ গী সেন্সসতা মধ্য প্রদেশতা লংজাগী মশিং অসি লিশিং ৮,৩৯৭ ওইখি। অদুগা মমাং চহি ২০২৪ দনা লিশিং ১০,৮৪৫ ওইখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চুরাচান্দপুরদা খুৎলায়শিং পীখৎপা হৌরে, কোকোমিনা মতম শাংদোকবা ৱাফম থল্লক্লি হায়বা অসি পাউ অসি শঙাই মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরে।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইনদনা চুরাচান্দপুর অমসুং মোরেগী মতুংদা গর্ভনরনা কাংপোকপী অমদি সেনাপতিদা চৎখ্রে, দিষ্ট্রিক্ট অনিদা আই.টি.

সেন্তর অমমম হাংদোকখ্রে, রিভিউ মিতিং পাঙথোকখ্রে, হাইব্রে শেমগৎপগী থবক অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা তকখৎখ্রে হায়না ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- কৌত্রুক, কদাংবন্দ দ্রোন বোম্বিংগী দ্রোন সপ্লাইয়র এন.আই.এনা মশক খঙবা ঙমলে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- মতম শাংনা লোল্লুরবা মোরে হোস্পিতাল অমুক হাংদোকখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা ফোংলে।

সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগীদমক পোলিতিকেল দাইলোগ চথ্খবীনবা কুকিশিংনা গভর্নরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

নহারোলগী থৌদাংদা- ঙসি ওইরিবা ফিভম অসি এম.এল.এশিংনা মথৌ পাঙথোক্তবদগী নত্তে, মতম চানা সি.এমনা থবক পায়খৎতবদগীনি হায়বা এম.এল.এ- শৈখ নুর হাসনগী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- মিজোরম অমদি মণিপুরগা ফাওনবা থোং মিজোরমগী চীফ মিনিষ্টরনা শঙ্গাখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- এইমস কম্মন রিক্রুটমেন্ট একজামিনেসন ২০২৪ গী একজাম সেন্তর ইম্ফালদা তাহনবীনবা এম.পি. বিমোল অকোইজমনা আপীল তৌবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা সেক্যুরিতি ফোর্স অমদি মীয়াম মুকবদা চহি ৬০ রোমগী মৈরা পায়বী অমা শোক্লে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------